ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২, ২০২১

# পোজিটিভ রেট হন্থরকপা

ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কী অনিশুবা ৱেভকী পোজিটিভ রেট শিংথানিংঙাই ওইবা চাংদা হন্থরক্লি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা হৌজিক কোভিদ পেন্দেমিক অসি তপ্না-তপ্না লাকশিন্দুনা লৈবাকসিগী অপুনবগী ওইনা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা অমদি কোভিদনা মরম ওইদুনা মী লৈতবগী চাং অসিসু লেপ্তুনা হন্থরক্লি। নোংমদা মী লাক্ষ কুনগী মখাদা কোভিদ পোজিটিভ ওইরি। পেন্দেমিক অসিদগী লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী চাং হৌজিক শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা মাংজিন থাদুনা মীওই ক্রোর ১০০ হেন্না ভেক্সিন কাপখ্রে। মনিপুরগী ওইনা য়েঙলুরগসু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ পোজিটিভ রেট অসি চাদ ৫ গী মখাদা লৈদুনা নোংমদা মীওই ১০০ য়ৌনা পোজিটিভ ওইদ্রে। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী কোভিদকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মীওই ২০৮১ কোভিদ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৭১ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। পোজিটিভ ওইবগী চাং অসি চাদা ৩.৪ য়ৌখি। অদুবু কোভিদনা মরম ওইদুনা নোংমা নিনি অসিদা মীওই ৩ / ৪ শিবগী রিপোর্ট তৌখি। পোজিটিবকী রেট অসি হন্থরগসু শিবগী চাং অসি য়াম্নমক হন্থবা হায়বা অদু ওইদবনা পেন্দেমিক অসি অদুম্মক নুংনাংনিঙাই ওইহল্লি। কোভিদনা মরম ওইদুনা মনিপুরদা লৈখিদবা অপুনবা মীশিং ১৯০৪ য়ৌরে। পেন্দেমিক অসিগী এক্টিভ কেসতা লৈরিবা অপুনবা মশিংনা ১৩৬০ নি।

পেন্দেমিক অসিদগী ঙাকথোক্নবা মনিপুর লৈঙাক্না পায়খৎপা চেকশিন থৌরাংদা পাক্তক্নবা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক য়াংশিন্না চঙশিল্লক্লি। কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা ভেক্সিন কাপ্লম্বদু হৌজিক য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক পায়খৎলক্লি। ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টতা য়ুমথোং খুদিং ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হৌদোকখ্রবা মতুংদা মখা তানা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু হৌদোকখ্রে। ভেক্সিন কাপ্পা য়ারবা মীপুম খুদিংমক ভেক্সিন কাপথোক্তুনা পেন্দেমিক অসিদগী ঙাকথোক্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীয়ামদা খঙহন্দুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা মনিপুরগী ভেক্সিন কাপথোকখ্রবা অপুনবা মীশিং ১৮,৪৮,৫৮৩ য়ৌখ্রে। মসিগী মনুংদা ফাষ্ট দোজ কাপখিবা মশিংনা ১২, ৩৮,১০০ নি। অতেনবা মতমগী মনুংদা মীওই লাক্ষ কুন কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী পান্দম অসি য়ৌরবা য়াই। ভেক্সিন কাপথোকপসিদা চীংগী ডিষ্ট্রিক্ট খরদদি চাং য়াম্না নেম্বা য়াওরি। মসিদা হেল্থকী মরী লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মপুং ফানা ভেক্সিন কাপথোকপা ঙম্নবা থৌরাং পায়খৎপা তঙাইফদে। লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবা অমদি হকশেলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অৱাৎপা মফমশিংদা কোভিদ ভেক্সিন মপুং ফানা কাপথোক্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরম্বসু য়াই। মসিদা নত্তনা চীংমীশিংগী পুন্সিদি অয়ুক অঙনবদগী থবক শুরুরগা নুমিদাংৱাইরম য়ুমদা হল্লকপনি। মসিনা মরম ওইদুনা য়ুমদা মী পুনবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। নোংমাইজিং নুমিৎ চর্চ কাবা নুমিৎতদি চর্চতা মী পুল্লি। সিভিল সোসাইটি ওর্গানাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং অমদি খুলগী লুচিংবশিংগা খুৎশম্নরগা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক পায়খৎলগদি মপুং ফাবা ঙমগনি। মপুং ফানা ভেক্সিন কাপথোক্তুনা কোভিদ পোজিটিভ রেট হন্থরকপসিদা পেন্দেমিক অসি তপ্না তপ্না লাকশিন্নবা থৌরাংসু লেপ্তুনা পায়খৎসি।

# হিংবু হিংলবা থেঙনখিদৌরি

হেমজিৎ ইরোম্বা

নোং তানবা মন্ত্র লৈ হায়বদি তাদ্রি। করি করিগুম্বা মতমদা নোং হাংনবা লাইথৌ-তিম্থৌ তৌবগীদি অদুমক মতাবনি। মসিনা থাঙ্গৈশেংনা নোং হাংব্রা হায়বদি থাজবা ৱাৎতুনা অদুমক লৈরবনি। কনাগুম্বা মীওইনা হায়নবা লৈ মদুদি অন্দ্রোগী ইপু মাইবা অদুদি নোং খাম্বসি ওম্থোক্লা হৈখ্রবা পোৎনি। কনাগুম্বগী লুহোং খোংদোংবা, অশি-অনাগী থৌদোক-ৱাথোক্তা নোং তারক্কদবগী মওং লৈরবা অন্দ্রোগী ইপা মাইবগী মনাক্তা চৎনবা হায়বসি অদুমক মতৌরবনি।

তৌববুদি হৈববুদি হৈরম্বা য়াই অদুবু মতা চারুদুনা অদুক নোং খাম্বনি হায়নবগী ৱানি। নাতে চাদুনা নোং তাদবগী ৱানি। হঙ্গাম চাম্নবা পোলাং পুথোক্তুনা য়ুমথক্তা লংখৎতুনা থম্বসিসু নোং হাংই, তারক্তে হায়নবা মরৈরিবনি। মকুম মথানবু লাক্লবদা তারক্লিবা নোংসিবু খাম্বা ঙমগদবা মীওইসি করম্বা মীওই ওইগদৌরিবনো? হায়নবগী ৱানি। মসিদা য়াম্না হকচিন্না লৌরুবা য়াবা নত্তে।

লাইফম ময়াম অমা মশিং থিবা ঙমদনা লৈরিবা ইরমদমসিদা করিগীদমক মতম চানা নোং তাবিদ্রিবা, করিগীদমক কুম কাঙহনগদৌরিবা? লাই ইবুঙো! লাই ইবেম্মা! অনিবু অসুক্কী মতিক থাজনরিবা ইরমদমসিদা মাংলমচৎকী কাঙলোনশিংদুগা হৌজিক্কী কাঙলোনশিংসিগা করিগী অহোংবা ওইরক্লিবা? মসিদি খুদিংমক্লা খঙনরম্বা ৱাফম ওইরবনি। মতম অমদদি লমদমসিগী চীঙনি হায়নরিবা মফমশিং উ-ৱানা মশিং লাকঙমদনা মনিং তৌনা হৌরম্বনি। অদুবু ঙসিদি মশিং লাকঙমদনা য়াম্থৎখিদুনা হায়রুবগী করিবু কান্নগনি।

ময়াম অমা য়াম্থৎলগা নিষাগী পাম্বী কয়া থারকপা, মসিসু মশিং ওম্থোক্লা য়ামখ্রবনি। চীঙদা নুঙাইনা মকা লাম্না হিংজরম্বা উচেক-ৱায়া কয়া ঙসিদি লৈফম লৈত্রদুনা কদোম-কদোমদা হিংনবা পাম্বে থিদুনা কদায় কদায়দা চৎখ্রবা মশক উদনা কয়া অমা শিখ্রবরা চঙলিব্রা খঙবা ঙমদনা লৈরক্লবনি। লৌবুক ফাওবা লৈক্রুক চৎনরবা মতমসিদা করিনো তৌগদৌরিবা? মথংগী লৌরোক পম্বাদবু কদায়দগী লৌবুক্তগী ফৌগী পোৎথোক ফজনা নিংথিজনা লাকপা হায়বদুমদি থাজবা ৱাৎলগদবনি।

ঐখোয়না পুঙ্কক চাওরকপদা দুর্গা পুজা মনুংসি নোংদি অদুমক তাবনি। দুর্গা পুজা লোইদুনা লাই থাদবগী ঘোট চফু, লফোই লফাং, ইম্ফাল তুরেলদা থাদবদা মতমদু তুরেলগী ঈশিং ফনা নিংথিজনা চাওই। কনা কনাগুম্বা ইরোইবা হৈবা নুপামচাশিংদি ইরোইদুনা থাদখিবা দুর্গা পুজাগী পোৎলম লোক্লবা ফাওবা য়াওরম্বনি। পুন্নমক ঙসিদি মমিংতমক ঙাইরক্লবনি। হিংদবদি য়াদবনিনা হিংনা-হিংনা ৱারবসু ৱানা খাঙবা নৎতনা করিদি লৈরি। হিংনবগী লম্বীদা অৱাৎপনা মশিং য়াম্লক্লবদা হুরাল্লুবদি য়াদবনিনা করিদি তৌরুনি।

শেম্থোক লম্বীবু মরাং কায়দ্রবা অৱাবা হায়বসিমদি অদুম্মক থেংঙনরগদবনি। লৌউ-শিংউবনা নিংথি নুংঙাইনা ফৌথোক ফংদ্রবদা করিনো তৌগদৌরিবা? মতাং মতম চানা নোং তাদবা হায়বসি লাই ইবুঙোনা শিনবা থৌদোকনি হায়না লৌবদা অচুম্বা হায়বদুমদি ওইদবনি। হৈমন শিংমনবা য়াম্লবা মামেলগী লৈমায়দা লৈরিবা তাইবঙ মীওইবশিংসিনা তৌজরুবা, হোৎনজরুবগী ফংবা মহয়নি হায়না লৌবদা অচুম্বা হায়বদু ওইগদবনি।

মালেমদা লৈরিবা জীব খুদিংমক্কি মনুংদা করম্বা জীব কাঙলুপ্না হেনবগে? মুন্না খল্লুরবদি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সু থৱাই পানবা জীব কয়া অমা লৈরিবসিগী মনুংদা খ্বাইদগী শিংবা খ্বাইদগী ফত্ত-নুংদা হৈবা জীবা মখল অমনি হায়না লৌবদা অরানবা হায়বদুমদি ওইররোই। মালেমসিদা পোক্লগা মালেমসিদা ঙম্নমক লৈরিবনি। মসি কনা অমতনা থাজদে হায়বা য়াবা নত্তে। লৈরোন চন্দুনা ফুমবী নত্রগা মৈ থাবা অনিসিগী মনুংদা অমদি অদুমক ওইরগদবনি। অঙৈং-অশাগী চাংসিমা মমাঙ-মমাংঙৈগী অদুগুম্নদি লাক্কদবা মান্দ্রবনি। ঐখোয়গী লমদমসি করিগুম্বদা মৈগী চীঙ পোকখায়বগী থৌদোকসিমগা লৈরম্বা থোক্লবা কয়াদা ৱাগদবনো? মদুমক্তি ইমা ইবেম্মা ইপা ইবুঙো অনিনা তম্বীরমদ্রবনি। অসুক য়াম্না ঈংনা চিক্লা হিংজরিবা লমদমসিগী মীওই কয়াবু হন্দক্কী লাইচৎসিনা লাক্লবসিদা অমনা অমবু থাজরম্বগী চাং অদুমদি খঙহেন হেনগৎলি হায়বা অরানবা হায়বা অদুমা ওইরবনি।

ফনা কুইরবনি ইমুং অমগা অমগা চংনবগী চাং হন্থবা। মসি করিদগীনো হায়বা তারবদি কোবিদ ১৯ গী লাইচৎসি চঙলক্তুনা পোজিটিব ওইবা পামদবদগীনা অয়াম্বা ওইনরবনি। হৌগৎলকপা মতমদুদা তৌনরম্বা মওং মতৌদুদগীদি খরা-খরা কোমথোরকপগুম তৌরে। কোমথোকই হায়রিবসিসু শিদবা নুমিৎসু অদুমক ময়াওই, অশিবা নুমিৎসু অদুমক মরৈ। মসিবু থাঙ্গৈশেংনা ফরে হায়বা য়াবা নত্তে। মীচং মীখাই নাইদনা শন্দোরক্লিবা লাইচৎসিনা মপুন্সি লোইখিবা মশিং থিরুবদা ওম্থোক্লা য়াম্লক্লবনি।

তরানিথোইশুবা মনিপুর বিধান সভাগী মীখল মতম নকশিল্লকপগা ইরোইননা তুমিন লৈরম্বা, লেং খোৎপা তৌরমদবা পোলিটিয়িান কয়া অমা ইথা থাজদনা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটনি হায়না চোংথোরকপা ফনা নিংথিজনবু য়াম্লবনি। মখোয় মখোয়না পাম্লিবা পার্টিদুদা টিকেট ফংলবদি ফৈ, নৎতদুনা টিকেটকা ফংদ্রবা করিনো তৌদৌরিবসিবু?

কেন্দ্র অমদা পার্টি অমগী মীহুৎ অমদগী হেন্না থাগৎপা য়াদবনিনা খরদি নিংবা কায়বা হায়বসিমা নমদনা ওইরগদবনি। হৌজিক্তগী ভোট লেপকনি হায়দুনা শাফোংলক্লিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ঙম্নমক খর খরদি তৌরম্লগদবনি। হৌজিক্তগী অদুগীনি অমগীনি হায়দুনা মাগী মাগী কেন্দ্রগী মীওই অয়াম্বা ঙাথু থেংথুবা য়াওরম্লগদবনি। করিগুম্বদা লাইবক লৈদনা কারবা লুপা কয়ানো তিংগদৌরিবা? ভোটতা পৈশা চঙদে হায়বগী ফজখ্রবা চিনবানগী ৱাহে ফজদুনা অদুমক লৈদৌরিবনি। লাক্কদৌরিবা ভোটসিগীদমক মীহুৎ ওইগনি হায়দুনা চেন চোংলিবা ঙম্নমক মমৈদা করি নুংগীনো হায়বসিদি খনবীরনু।

মতাং মতম চানা নোংসু চুদ্রবনিনা লৌবুক্লা তৌগদৌরিবসিবু করিনো? লৌমী অমা ওইনা হন্দক্কী লৌরোক পাম্বাসিদি ওম্থোকনা ৱাইদকো লাই ইবুঙো। মসি নৎতনা করিদি লৈরি? তাইবঙ মীওইবনা চীঙ মানগী উ-ৱা ময়াম অমা য়ানথৎতুনা, মদুদা মকা লাম্না য়ারেক্তুনা লৈজরম্বা লমলক্কী উচেক-ৱায়া জীব কয়া নিংবা কাইনা চিকমাংনখিবা পুন্নমক্কী তেকচাক ওইনা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দা হন্দক্কী লাইচৎসিনা লমন খুম্বা হায়বদু ওইরমল্লে। হৈমন-শিংমল্লবদি পশিং থোকই হায়বা ফজখ্রবা মৈতৈগী পাউরৌ অদুমদি কৈদৌনুংদা মুৎপা য়ারোই। অশং-অমান্না থল্লবা মতম অমগী শক্তমদুমক হঞ্জিনহনবদা মতম চংদনিঙাই লৈরোই। হৌজিক হোরেনদি থাজবা ৱাৎলবনি।

# তরেৎখুলগী খোঙচৎকী মতুংদা

## (নুমিৎ তাখ্রবা মতুংগী মঙাল)

ওক্টোবর ১৫গী মখা চথরকপা

ইশাগী অশোয়বা অমহিকসু ৱাখল তাদ্রিঙৈদা করি তৌখিবগে হায়বসি পাক হেক নিংশিংবা ঙম্নদে। মসিসু অঙকপনি। মী অমগা মী অমগা মনুং থিৎনা কদাইদা করি খেন্নবগে হায়বসি মেডিকেল সাইন্সনা য়াম্না কুপ্না চাংয়েং ময়াম অমা তৌরগা খংবা করিগীদি ঙমলোইদগে। তৌবতবু খ্বাইদগী লায়বা মওংদা মী খুদিং মীনি মীমান্নদে হায়বসিদি ৱাংলৈ য়ুপিংলগদি ইরাই লায়না খংই। সিনেমাদা করিদা তৌরিবদুনা এক্টিং হায়বদুনি। মখোয়সু অসেংবশিংদু উরুরগা নৎত্রগা খো খোৎপা খংলবা ডাইরেক্টরদুনা সি সি তৌ হায়বদু নৈখায়দুনা তাক্লবা মতুংদা তৌরক্লিবনি। তশেংবা তাইবংদা মঙাও থিবা কয়া অমা উখ্রে, থেংনখ্রে। ইশামক্তদদি কমাইনা তৌরককে হায়বসি উজবা ফংদ্রি। অদুবু হায়না অমদি লৈ। ফনা ঙাওরবসু পুলিস উরগদি হু হেক্তা হল্লি হায়নবসু তাই। খাংজেং লাইরেম্বীগা য়েমৌনবা লৈবজাৎলা খংদে। তৌবতবু খাংজেং লাইরেম্বীগী থৌগল্লোইশিংসু য়োৎপদি অদুম ময়াওবজাৎনি। মখোয়না ঈনোৎ কারকপদদি কনাননি ফারুনি। মদুগুম্বসি অমম অথেংদা থেংনরগা কয়াম নুঙাইবা হায়বদুদি থেংনরবশিংতনা খংগনি। মৈত্রবাকসিদা অতাংবা নত্তে। ৱাকোই ঙাইহাক শুরুরিবগী মরম লৈগনি।

অহানবা শৈহৌদা পাবুংনা লাওরকপদুগী হেক থংনবা মিৎকুপ্তা ঐখোয়না পাঙথোকখিবা মতৌদু মহাক য়ানিংদবা মাল্লি। তৌবতবু ঐখোয়না খনখিবসিনা এম এল ৭৫০ খত্তনি। মদু ঐখোয়গীনি হায়না তমদুনা থল্লম্লবনিনা ঙমশিনফম থোকই হায়বসিনি (পুখিবসু য়ারোই হায়রিবনিনা)। তহা তহাগনু, ঈংন-তপ্না হোৎনৌ হায়। ৱারীদি ঐখোয়নিমক মঙোন্দা শারুদ্রে। মহাক্নদি ৱারী লেপ্তে। মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈ য়াম্না নুংঙাইরিঙৈদগী হৌরকপনি। অদুদগী লান মতুংগী ৱারীনি। য়াম্না নুংঙাইনা তাই। মদু নুঙাইফমসু থোকপা জাৎনি। করিনা ঐখোয়না পোকত্রিঙৈ, ইপা ইমানা লৈশারিঙৈগী ৱারীনি, মতম অদুগী খুন্নাইলোন, পুন্সিরোলগী পাউদমনিদনা। থনা মমাংদা কৈনো তৌবশিংনা মশা চেকশিন্না খংদনবা চৎলি হায়বদুগুম্বা ওইরমতাই। চাবগা থকপগা তাবগা নত্তনা মপুং ফাবা ৱাহে পরেং অমনা অনি পাবুংদা হৌদোকচবা ঙমদে। ঙাওনবা পোৎনিনা ঙাওখৎলক্লে হায়হনখিবা য়াদে হায়না চপ য়ুংনা খল্লি। মরক মরক্তা 'হাওব্রা?', 'চাশিল্লু য়াম্না চাও।' 'লোইনা চাথোকউ, চাদ্রবদি ফত্তবনি।' হেক হেক হায়রকই। মতাংদু পুক হাংলকপা মতাংনিনা অকিবা অমা য়াওদবমখৈ চায়। খনখি 'ওফিসারশিংসিনা চারি থক্লিশিংসি পাক ঙাওরোই, মসিমক্তুনা লৈবাক পুবা ঙম্লিবনিকো।' কদোমদৈনো থৌনা খিত্তং লাক্তুনা হায়দোকখি, 'ইমাইবেম্মসি চানবা শেম-শাবা য়াম্না হৈ পাবুং!' মসিমক হায়দোকখি। হৌনরিব্রা হৌনদব্রা খন্থবকা নংহৌবা জাৎ নত্তে। চিন্দা লাই তোংবা হায়দুনি। তৌবুদি লাই লেংশিনলিবদু চিন্দগী থনুং য়ৌদুনা কোক য়ৌরক্লবা মতাং শোয়দনা ওইগনি।

পাবুংনা চথরম্বা ৱারী ফৎ থৈদোক্লগা গ্লাসতু থাঙ্গৎতুনা খিত্তং চুপখি। (ৱারী শান্নবদা মীগী মমায়দা য়েংউ হায়বদু ঙসাইখে কাওথোক্লুবা। মঙাল লাক্লবা হায়বদু ওইবতাই। মীৎচানবা ঙল্লকখি।) পুমনৌ নৌনা ইমাইবেম্মনা থোং থাকপা হৈবগী, মাগী মরুপ মপাংশিং লাকপদা সার্বিস থৱাই য়াওবগী ৱারীরোমদা তকথরকখি। মহাক্না ডি সি ওইরিঙৈ, বঙ্গলোদা লৈরিঙৈদা থোং থাকপগী থবকশিং অসি মীনা তৌবা শিংথাবীবা জাৎ নত্তে হায়। ময়াম্না ঙক্লখি, ডি সি অমগী নুপীনা অতিথি ময়ামগীদমক থোং-থাকপা হৌনব্রা হংনখিবা য়াওই। অদুবু মদু হায় হায়দুনা ইমানা তোকপা লৈতে। পীজরবদি হাওনা থুমনা পীজদৌনি, অঙাংশিংনা থোং-থাক্লগা ৱায়োং চাবা হৌনদে। মদুনা হেন্না ইকাই হায় হায়রিবসিনি। অতৈদি খংদে পাবুংগীদি ডি সি টমেংলোং ওইরিঙৈদগী করিদগী নোংমগী অতিথিসি ৱাৎপা লৈতেসু হায়। রিটায়ার্ড তৌরবা মতুংদা, অথেংবা অহিংসিদা অতিথি 'নাউ' ঐখোয়গীদমক শেম-শাবিরিবদুনা অদুক নিংথিরবদা মশা কল্লিঙৈ, ফম্নাইরিঙৈদুদা তৌরমগদবু তাঞ্জাদুদা ৱাখলনা শাগৎখি। পাবুংনা লীরকপা ৱারীশিং অদুদা শাদোং ওইরগা।

লাকমিন্নখিবা ইয়াম্বদু মিরৎ নারৎ খংখ্রবা মীতানি। শরক অদুদা লীক্লিদৈদু লোইশিনবা ঙম্লোই হায়বগী ইঙ্গিৎ অমা পীরকই। ৱাহে য়াওদবগী ৱানি, পাউদি অদুম ফাওনৈ। মতিক মগুণ খংদ্রিবা কৌবনিনা ইথক থোংবা অমনা (এক্সপিরেন্স লৈরবা) হায়রকপদুদা য়ানিংনা লেপ্লসি হায়বগী পাউখুম ইঙ্গিৎনা পীখি। পাবুংনা মখা তারকই। 'নংগী মরুপশি ড্রোপ তৌরুরগা য়ুমদা হল্লদৌবা ওইরিনি। য়ুম য়ৌবগা কোল তৌরকউ। ঐ ঙাইগে। গাড়ীদি তপ্না থৌবা ফৈ। ... লোইনা থকতোক্লো কৈনো...!' থৌনা ফুদোক্তুনা খুমজখি,'সোরি পাবুং, তেংখৈ থকতোকপা হৌনদে হায়নৈ অহলশিংনা।' পাবুং মোমোন লাই ইমো




লমায় অসিদা ফোংলিবা ফিচর আর্টিকলশিংদা পিরিবা মত অমদি লৌরিবা ফিরেপশিং অইবা মশাগীন- ইদিটর

## ইদিটরদা চেল্লকপা পাউথাং

### সোসিয়েল ডিষ্টেন্সিং

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

মনিপুরীশিং অসি থৌনা ফবা ইপা ইপুশিংগী চারোল শুরোল ওইরবসু হন্দক্কী কোবিদ পেন্দেমিক অসিদদি থৌনা ফুদোকফম খংবজাৎ নত্তে। ফুদোক্তনা ফুদোকপা তারগদি এস ও পি ঙাকপা, মাস্ক উপপা, খূৎ-শা শেংনা তোয়না হাম্বা, হেন্দ সিনেটাইজর শিজিন্নবা হায়বনচিংবা থবকশিং অসিদা ইতিং ফুদোকপনা চুম্বাজাৎনি। হৌজিক মালেমগী ওইনসু অদগা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিগী ওইনসু কোবিদ পেন্দেমিক কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি। অদুনা মীপুম খুদিংমক অসি কোবিদ ভেক্সিন ডোজ অনী অসি শোয়দনা কাপথোফম থোকই। মসি নত্তবা ভাইরস অসি ঙাকথোকপা ঙম্বা চুংগোই লৈত্রি। মসিমক্তদা মনিপুরদদি ডোজ অনী কাপথোক্লবা মরক্তগী ফাওবা পোজিটিব ওইবা য়াওরকপগী পাউ অদুম্মক ফংলি। অদুনা ভেক্সিন কাপথোক্লবসু কাপথোকত্রবসু চেকশিন থৌরাংশিং অসিদি তরাইথোকপা চুমলোই। মীয়াম পুনবদা য়ারিমখৈ য়াওদবা, তঙাই ফদ্রগসু সোসিয়েল ডিষ্টেন্সিং ঙাকপা হায়বসি ফাগী ওইনা লৌবা চুম্লোই। অদুবু মীখলদি য়েথোকপা পাঙথোক্তবা য়ারোইদৌরি। মীখল পাঙথোক্কদৌরবনিনা মীখলগীদমক ইলেক্সন কেম্পেইন তৌদবা য়ারোই। য়াদবা নত্তে হৌরক্লবনি। মসিদসু অখং-অহৈ অমদি লুচিংবশিংনা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু, এস ও পি ঙাকপিয়ু হায়রক্লি। মতা চাদ্রিবসিনা হায়রক্লিবা কাংবু অদুগী মীওইশিংনা তৌথোক্লকপা থবক্তা মদুগী মমি তাবা পাক উদে। ইলেক্সন কেম্পেইন, বুথ লেবেল মিটিংকাসিদা নত্তে, নাৎকী থৌরমশিং, লাইনিং লাইশোনবা মরি লৈনবা থৌরমশিং, শোরাৎ, লুহোং-কৈহোংবনচিংবদা শক-শোল্লিবশিং, ময়োল ফম্বা ভবোকশিংনা মাস্ক উপ্পা সোসিয়েল ডিষ্টেন্সিং ঙাক্লবসু ইমা-ইবেনশিংদি সোসিয়েল ডিষ্টেন্সিং ঙাকপা উদে। শঙ্গোইদা, মাঙ্গোলদা, ইমুংদা পুল্লপ-পুল্লপনি। লাকপদসু হনখিবদসু শোক্ল-শম্নদনা চৎপা নত্তে। অদুনা সোসিয়েল ডিষ্টেন্সিং ঙাকপা হায়বসিদা খুন্নাইচাশিংনা খুন্নাইসিগীদমক পাঙ্গল ফুদোকফ থোকই।

*অদোমগী, ডোনাল মৈতৈ, ৱাঙ্খেৎ*